৮লক শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দব্লিয়ু রামানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪

ট্রাও, সাইক্লোন অমসুং মোদেল শীংজমৈ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌদোকখিবা ৮লক শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দব্লিয়ু রামানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ট্রাও ক্লাকৈথেলনা রুল মৈত্রম, সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা চেম্প খাগেমপল্লি অদুগা মোদেল শীংজমৈ চীংঙামখানা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খে পেলেস কম্পাউন্দ মায়থীবা পীখ্রে।

পব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট-৩ চেরাপুরদা ট্রাও অমসুং রুলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস রুলনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী ট্রাওনা অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ট্রাওনা ওভর ৪৫দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২১৯ লৌখি। রুলনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৪৩.৩ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১৯৯দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ট্রাওনা রন ২০দা মায় পাকখিবনি।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চেম্প অমসুং সাইক্লোনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা চেম্পনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। চেম্পনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৪১.৪দা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১০৬ লৌবা ঙমখি। সাইক্লোননা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৮.৪ শুরকপদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১১০ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু সাইক্লোননা ৱিকেট ৫দা থোইখিবনি।

অমরোমদা, লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা মোদেল অমসুং ঈ এস য়ুগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস মোদেলনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা ঈ এস য়ুনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। ঈ এস য়ুনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওভর ৪৫দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৭৯ লৌবা ঙমখি। মোদেলনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৪১.১দা ৱিকেট ৮ তুরগা টার্গেট রন ১৮০ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু মোদেলনা ৱিকেট ২দা মায় পাকখিবনি।

অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৫-এসাইদ মিনি বোইজ টুর্নামেন্ট

সনরাইজ ক্লবনা কে ৱাই সী অদুগা সী কে সী (এ)না ঈ ৱাই সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ৬তগী হৌরগা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চথুরিবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৫-এসাইদ মিনি বোইজ অন্দর-১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ মেটচশিংদা সনরাইজ ক্লব কদমটলানা কে ৱাই সী কালিনগরবু পাঞ্জল ৪-০দা লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা সী কে সী (এ)না ঈ ৱাই সীবু পাঞ্জল ৬-১দা থোইবা ঙমখিবনি।

হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা য়াওল ক্লব চম্পানগর অমসুং সী কে সী (বি) অদুগা নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা ওরিয়েন্টেল ক্লব অমসুং অনন্দমোয়ে ক্লব অনীগী মরক্তা প্রিলিমিনরি লীগ রাউন্দ মখা তানা শান্নগনি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]/শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, থবক অকনবা শুবা ঙমদবা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌবা, হৈনিং-শিংনিংবা পোক্তবা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, থবক অকনবা শুবা ঙমদবা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌবা, হৈনিং-শিংনিংবা পোক্তবা, পোত্থারগতা লৈনিংবা, অরুম্বা পোৎ পুবা ঙমদবা, থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, শ্বর হোনবদা থবাক্তা গের-গের লাউবা মখোল থোকপা, খ্বাঙ নাবা, য়াঙলেন শরূদা চিকপা-নাবা, ফম্বী শোনবা, অহিং তুম্বা য়াদবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam Phone No. 7628890261/9089738275** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Hatta Opp. Oil Pump Near Public Hospital, Imphal.
2. Mayang Imphal, Konchak Bazar. (6 am to 10 am.)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Only Sat. & Wed. Open)
4. Yairipok Bazar Near Traffic Point (Only Sunday Open)

HL-P/9815/15

থাগৎচরিবা : **W. Khamba,** Bishnupur

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

Ref :- Mutation Case No. 99/SDC/NBL of 2024

1. Naorem Ajitkumar Singh, S/o (L) N. Lokhon Singh of Lourembam Mamang Leikai (0.31 acre on the southern)
2. Naorem Kenedi Singh, S/o (L) N. Lokhon Singh of -do- (1.35 acre on the northern portion)
- Petitioners

-Vrs-

(L) Naorem Lokhon Singh, S/o (L) N. Angahal Singh of Lourembam.
- O.P.

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE

Dtd. : 14/03/2024

Under Section 46 (3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 11-Lourembam গী Patta No. 164 (Old), 118 (New) Dag No. 351 an area of 1.66 acre of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী-মাগী শরুক মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/9978/15

[illegible] / অমাংথোঙ মপান্দা পোম্বা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদা ফুরি মচা-মচা শৌবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু য়াম্না হাক্কৎচরগা খাঙবা ঙমদবা, অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্নবা শংবদা খোং অকনবতা হাম্লগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান্দা পোম্বা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা য়াম্না হাক্কৎচরগা খাঙবা ঙমদবা, করিগুম্বা খোঙ অথোৎপা হাম্লগনা অমাংথোঙদা হেন্না হাক্কৎচবা হেনবা, হাক্কৎচবা অদু ফনবা ঈশিং অশাবদা থুম থাদরগা ফম্বা, ফম্বা অদুদা খজিক্তং ফরন্নগা অমুক হাক্কৎচবা অদু হৌরকপা, অমাংথোঙদসু চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্নবা শংবদা খোঙ অকনবা হাম্লগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎলগা য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎলকপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, খোঙ হাম্বা লোইরবা মতমদা কোক ঙাওবা অমদি কল্লাক মরী নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী থুনা চৎপা, খোঙয়া শাবা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাউবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু থাগৎপা, পূকচেপ নাবা, পূক শাওগৎপা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা নময়াং মরিনসু নাবা, খ্বাঙ নাবা, কময়া অনীমক নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : **O. Robin Singh**
Andro

HL-B/8619/15

No.4(21)79-80/JNMDA
OFFICE OF THE JAWAHARLAL NEHRU MANIPUR
DANCE ACADEMY, IMPHAL

[illegible] / **NOTIFICATION**
Imphal, the 14th March, 2024

It is hereby notified that a Walk-in-Interview shall be held on 23rd March, 2024 at 10.30 a.m. for engagement on contract basis for 03 (three) months for the following posts:-

S. No	Name of the post(s)	No. of Post	Age Limit	Eligibility Criteria
1	Guruhan(Rasdhari)	2	50 years and above. (relaxable by 5 years for SC/ST candidates)	**A.ESSENTIAL** 1. At least 2nd class Post Graduate Diploma Course from JNMDA, Imphal or a qualification considered equivalent to this Diploma; such equivalence to be approved by the Advisory Committee on the recommendations of an Equivalence Committee, which can waive the requirement of the Diploma for those who have been performing or teaching strictly in conformity with the traditions for at least 12 years. 2. At least 12 years experience either as a teacher or as a performing artist in an institution recognized/affiliated by/ to the Board of Education /University or in a registered cultural organisation which has been in receipt of a Grant from the SNA /Deptt. of Culture of the Central/State Govt. OR An Awardee of the Sangeet Natak Akademi. **B. DESIRABLE** 1. Should have passed HSLC Examination (Class X) 2. Knowledge of Sanskrit for Ras and Sankirtana Guru. NOTE : Any of the qualifications may be relaxed by the Appointing Authority for a candidate who is the recipient of Sangeet Natak Akademi Award in Manipuri Dance &Music.
2	Guruhan(Tribal-Mao)	1		
3	Guruhan(Lai-haraoba)	1		
4	Guru (Tribal- Kabui)	1	35 years and above. (relaxable by 5 years for SC/ST candidates)	**A.ESSENTIAL** 1. At least 2nd class Post Graduate Diploma Course of the JNMDA or a qualifications considered equivalent to this Diploma; such equivalence to be approved by the Advisory Committee on the recommendations of an equivalence Committee set up by Advisory Committee, which can waive the requirement of the Diploma for those who have been performing or teaching strictly in conformity with the traditions for at least 7 years. 2. At least 7 years experience either as a teacher or as a performing artist in an institution recognized/ affiliated by/ to the Board of Education /University or in a registered cultural organisation which has been in receipt of a grant from SNA/Deptt. of Culture of the Central/ StateGovt. OR An Awardee of the Sangeet Natak Akademi. **B. DESIRABLE:** (i) should have passed HSLC Examination. (ii) Knowledge of Sanskrit for Ras & Sanskirtana Guru. NOTE: Any or all the above qualifications relaxable by the Appointing Authority for a Candidate possessing exceptional qualification.
5	Guru (Sankirtan-Cholom)	1		
6	Visiting Guru (Cholom)	1	Between 60 and 70 years	**A. Essential** 1. At least 2nd class Post Diploma from JNMDA or qualification considered equivalent to the Post Diploma: such equivalent to be approved by the Advisory Committee on the recommendation of an Equivalent Committee which can waive the requirement of Post Diploma for those who have been performing or teaching strictly in conformity with the traditions for at least 20 years. 2. At least 20 years experience either as a Guru or performing artiste in an institution recognized affiliated by/to the Board of Education/University or in a registered cultural organisation which has been in receipt of a grant from the Sangeet Natak Akademi/Department of Culture of the Central/State Government. **Note:** The above qualification may be relaxed by the Appointing Authority for a candidate who is the recipient of Sangeet Natak Akademi Award in the field of Manipuri Dance and Music.
7	Visiting Guru (Pena)	1		
8	Visiting Guru (Sutradhari)	1		
9	Expert (Raas)	2		

All the interested candidates shall appear before the Selection Committee on the aforementioned time and date at JNMDA complex along with their required original testimonials/certificates without fail.

Sd/- Director , JNMDA

HL-B/8649/15

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

থম্মোয়গী মৈচাক
(৪৬৭)

করিনো হৌজিক ঐখোয়না তৌগদবসিবো। কয়ারক হন্না খনখিবনি পূক্লিং লৈতাফম খঙদ্রবা ৱাখলসিনা থম্মোয়নুংদা। করিসু তৌজখিদবা কনাদসু করিসু হায়খিদবা ঐখোয়না কাঙলূপ মান্নদবনা য়েক্লবা হায়বদু ওইবা তারব্রা খঙদ্রে। করম্না লাঞ্জেল্লকখিবা অমসুং কদ্দায়দা চৎকদবা খল্লুবদা হুমাং অনপ্পী কাংনা মীহুল দং-দং চোংদুনা নীক-নীক লাউরবা থৱায়শিং কয়াসুনি। হে লান নঙনা ঐখোয়বু কয়াদা ৱাহল্লিবা অমদি কয়াদা কপহল্লবনো? মসিবু মীওইপোক হায়বদুরা? অসুম্না ৱাগদবগী শরুক করিগী মী ওইনা হিংহনবীরল্লিবনো? নীংশিংলি নুমিৎতো ঙসিসু লান মানা থম্মোয় লায়মন ওইদুনা শিবা ঙাইনা হিংবা হায়বদু তারে। পোকপদগী অমুক্তা ফাওবা উখিদ্রিবা শক্তমনি। মশীং য়াম্লবা মী কয়ানা মখূৎতা খূৎলায় পায়দুনা লাউ খোংনা তাহৈ-উঁহৈদবা শক্তমদা মায়কৈ অমদগী মায়কৈ অমদা তম্না থোমজিনখিবদো। ইপাইথবাইনরবা অহল-লমন, নূপী-অঙাং খিবিক্লা কোইচেন চেন কোইলোৎ লোৎখিবদো। চহী য়াম্লবা অহলশিংবু পোদুনা লাঞ্জেন্নখিবা অঙকপগী মতৌনি। য়ূম কয়া-কয়া মৈরী থোক্লা উনা-উনা কনবা ঙমদনা তাঙ্গোয় ওনখিবা নুমিৎতো। ফুরুপ মান্নরুব্দবগী য়েক্লবা হায়বদু ওইরবা। চাদ-থক্তনা নুমিদাংদা কোইচেন চেন কোইলোৎ লোৎ তুরেল ফাওবা পাকথ-পাকথ লান দুনা চেন্নখিবনি থৱায়তবু হিংলবদি খন্দুনা। মসি ওইরে লান হায়বদো। নুংশিনা তিন্ন-লোয়নরম্বা কয়া ঈশিংগা থাউগা ওনখ্রে। নোংমৈ, বোমগী মখোলনা থম্মোয় কয়াবু নীকহল্লি। পেন্দবগী খোল্লাউনা নিল্লবসু তবীনবা লৈখিদ্রে। থিংবীনবা খান্বীনবা লৈত্রবদা মাগী-মাগী ৱাখলদা- হাৎপা তই, থুগায়বা তই অমদি মৈ থাদোকপা তই হায়বা পেন্দবগী খোল্লাউনা মায়কৈ খূদিং নিল্লক্লে। মাগী-মাগী থৌনা পাঙ্গল ফূদোক্লন্দুনা শিরবসু শিগনি অঙম-অঙম্বা হাৎনরগে হায়বগী মখা চিকপা মতাংনি। তারক্লেপাউকয়া নাকোংসিদা। মী কয়া নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে। থাঙনা কয়া অমসু মঙক কক্তুনা হাৎখ্রে। য়ূম মৈ থাবদসু থৱায় য়াওখ্রে। কপ্প-লাউনবগী খোঞ্জেলনা নিল্লে। শেন্দান লক্ষ্মী পুম্নমক চুপ লুপখ্রে। লক্ষ্মী সোরোক্তা অমা লাকই অনী তিন, অহুম লাকই মরি তিন মথং-মথং শঙ্গু-শঙ্গু তিল্লক্লে। কপ্পা লাউবগী খোঞ্জেলনা মায়কৈ শীনবা থুংখ্রে। ইমুং খূদিংগী মী থোরক্লে লম্বীদা সোরোক্তা ঈংথ্রবা নিংথমথাদুদা মমা ওইবী কয়া অহিং য়ারেক্লে। করিবু ওইরিগবা অমদি করিবু থোক্লগবা। অঙাংবা ঈনা মালেম লৈমায়সে চোৎলক্লে। মফম-মফম মচি-ময়াদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লে। অঙাং নৱা কয়ানা মীহুল চেনগা চেঙ্গুমনরি। মৌ নহা কয়ানা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। অহল ওইবা কয়ানা মীৎলুদা পিরাং শীন্থরি। লাননা মরম ওইদুনা মপা-মচা, মচিন-মনাও কায়নরে। নৌরিবী নুপী কয়ানা লুখ্রা শীংদা চলহৌরে। কায়নবগী কায়নবা মীকপ মীরাওখোলনা থম্মোয় খোন্না মৈচাক্লরে। নোংমগী খরা শুজ-নোমজরগা হঙ্গামদা ওইরবসু হরাউ-হরাউ চামিন্নজরম্বা মপা-মচা কয়াসু অশিবগী খয়াৎতা তাখ্রে। করি নোংদম কৌবগে? কনানা কনাবু হাৎলগা অপেনবা ওইরবা। কাঙলূপ অনীগী লান করম্না লাকখিবা, করম্না থোক্লিবা, করিবু অমুক হায়রুখিগনি। খামদোকপীগদবনা খামদোক্লন্দ্রবদা হেন্না-হেন্না শীং য়াঙশিনবা হায়বদু থোক্লে। চীনগী লান অমদি খূৎলায়গী ওইবা লান মরক্তুদা শেমজিন-শাজিনবা ৱাহৈ কয়ানা অহোয়নদুম শীংনহল্লি। মতমসিদা মীনুংশিগী ঈরিক্কী চন্নফম লৈতে। নোংম-নোংমগী অৱাবগী পাউ মথং-মথং লাক্তুনা তানরক্লবদা থম্মোয় পুবা ঙমদনা খাঙনখি। থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদা লৈ খূজোক-খূজোক কৎলিবা মরক্তা ওন্ন-থোইনা খাঙনরি। মসিবু কৌব্রা মীওইপোক? অঙম-অঙম্বনা ওৎ-নৈরে। তৌবা য়াবা য়াদবা হায়বা অমা লৈত্রে। অশোক-অপনতনা পীক থনখ্রে। এম্বুলেন্স মখোলতনা পূম্নিল নিল্লে। অমরোমদা, লৈতবগী চৈনাসে অরৈবা মীনা করিসু খঙবীরোই। লৈতবা মাদি মশা মতোমতা ৱাহং চান্মা চান্মা হংজরিবনি। অয়ুক গুল্তা মল্লিঙৈদগী থাপ্পা তাম্না লাক্তুনা তুম্না মচেৎ, চাবা মচেৎ তৌদুনা লুকমায় পাল্লিবা অসিবু উবদা নুংশিবা পোক্তব্রা? মহাকসে লমদমসিগী মমানি। মমাংদা য়োন্ননবা থারিবা পোৎ-চৈশিংদো লুপাদা হায়রগা ৪০০/৫০০গী ওইবসু য়ারি। মসি ফাওবা য়ৌদবা কয়া অমসুনি। নোংমদা শেন্দোং কয়াম্বু ফংলমগনি। মহাক্লা মতৌ করম্না থোক্লক্লিবা। মচা-মশু লৈতবগীরা নৎত্রগা নুপা লৈতবগীরা? অসুম্না তৌবসি নুপাদি কয়া উদে? অহল ওইমনবা অদুদা হংলুবদদি মাগী নুপাদুনা মহী-মনাই থক্তুনা লাউ খোংদুনা লৈ। ঐনা ইমুং পুরিবনি। ইচানুপানা ইমৌ থিদুনা তোঙান-তোঙান চাখ্রে। এদি নুপাগী খনবদা য়াম্না ৱাই হায়দুনা অৱা হুইজোং লাংহৌই। মসিনি নুপী ওইবীগী অৱাবা নুংঙাইতবগী মরক্তা খাঙবা কনবগী শীন্থা হায়বদো। ৱাখল তাদবা মীনা উরাও থরাওদুনা মীগী মীনোক মৈশা লাংহনবা, মাগী-মাগী নুপীনা অৱাবা পুরি। লৈবাক্কী ঈরাং মরক্তা কৈথেল লুকমায় পানবী অহল ওইবী কয়াদি অদুম্মক থোক্লরকপসু য়াওরি। মখোয় খঙদবগী অমদি তাদবগী হৌরকপসু নত্তে। নোংমগী চারা লৈতবগীনি। অরৈবা ইমুংনা অসুম্না করম্না থোক্লক্কদগে? নোংজু-নুংশা, অৱা-অনা থিদনা কোক্তা পোৎলুম পুরিবী লমদমসিগী মশীং য়াম্লবা মমা ওইবী কয়ানি। নোংমগী শেন্দোং খরদং ওইরবসু খন্দুনা মথৌ ওইজরিবীশিংনি। মখোয়বু নুংশিসি অমসুং মখোয়বু ইকাই খুম্নসি। মমানি লমদমসিগী থৌনা ফরবী। তুংগী মূম্বী ওইহৌরগদবা কয়াবু নাওয়োক নাওকোন তৌরিবী মীনুংশি চেনবী কংলৈ চনুনি। মখোয়বু মতেং পাংবীদুনা থাক ৱাংনা থল্লিবমখৈ মমা-মচাগী ওইনা তৎপা ঙমদ্রবা লংলাদুনা লমদমসি ঈং-তপ্পা পুরকপা ওইরসনু।

অদোমগী - নিংঙোম্বম লাংওন
ৱাহেংবম লৈকাই ইম্ফাল।

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER-X, LAMPHELPAT, IMPHAL

Ref :- Mutation Case No. 127/AS&SO-X/24 Dt. 11/03/2024

1. Moirangthem Anilkumar Singh, S/o Late Amuba Singh of Khangabok Maisnam Leikai Part-II.
2. -do- Unilkanta Singh, S/o Late -do- of -do-
3. Ningthoujam Madhumati Devi, W/o Biramangol Singh of Khangabok Lamlong.
4. Khundrakpam Dashumati Devi, W/o Kunjeshwor Singh of Khangabok Mayai Leikai.
5. Moirangthem Lata Devi, D/o Late Amuba Singh of Khangabok Maisnam Leikai.
6. Laishram Romita Devi, W/o Meghachandra Singh of Khangabok Khullakpam Leikai.
7. Saikhom Borni Devi, W/o Pahari Singh of Khangabok Part-III.
- Petitioners

-Vrs-

Late Moirangthem Amuba Singh, S/o Late Chaoba Singh of Khangabok.
-O.P.

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE

11/03/2024

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৩৩-খাঙবোক্কী পাট্টা নং ১১৯০ অং (অরিবা) ১৯২৭/৩৪৫৯ (অনৌবা)গী দাগ নং ৩৭৭২/৩৯৯৭গী হেক্টর .০৮৮৮ চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মচাশিংনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মখোয় পিটিস্নর তরেৎকী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বা মৃত পাট্টাদারগী মরী-মতা, মচা-মশু অমদি ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা মথক্কী কোর্ট অসিদা অইবা চেনা মরম পীদুনা ওবজেক্সন তৌগদবনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-X
Lamphelpat, Imphal

HL-P/9980/15

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER-X, LAMPHELPAT, IMPHAL

Ref :- Mutation Case No. 128/AS&SO-X/24 Dt. 11/03/2024

1. Moirangthem Unilkanta Singh, S/o Late Amuba Singh of Khangabok Part-II Maisnam Leikai.
2. Ningthoujam Madhumati Devi, W/o Biramangol Singh of Khangabok Lamlong.
3. Khundrakpam Dasumati Devi, W/o Kunjeshwor Singh of Khangabok Mayai Leikai.
4. Moirangthem Lata Devi, D/o Late Amuba Singh of Khangabok
5. Laishram Romita Devi, W/o Meghachandra Singh of Khangabok Khullakpam Leikai.
6. Saikhom Borni Devi, W/o Pahari Singh of Khangabok Part-III.
- Petitioners

-Vrs-

Late Moirangthem Amuba Singh, S/o Late Chaoba Singh of Khangabok.
-O.P.

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE

11/03/2024

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৩৩-খাঙবোক্কী পাট্টা নং ২৬১২ (অরিবা) ১৮৯৮ (অনৌবা)গী দাগ নং ১৪১৪/১৭৩৮গী হেক্টর .৪৭০০ চাওবাতাওথবী লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা পাট্টা অসিদগী মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা পিটিস্নর মখোয় তরুককী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বা মৃত পাট্টাদারগী মরী-মতা, মচা-মশু অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা মথক্কী কোর্ট অসিদা অইবা চেনা মরম পীদুনা ওবজেক্সন তৌগদবনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-X
Lamphelpat, Imphal

HL-P/9980/15

BEFORE THE OATH COMMISSIONER: MANIPUR AT IMPHAL

ꯑꯦꯐꯤꯗꯦꯕꯤꯠ / AFFIDAVIT

I, **UID No. 11170248 Rank ASI/GD** Name **Yumnam Premkumar Singh** aged about 43 years of SSB, 10th Bn. S/o **(L) Y. Bidhu Singh,** a resident of **Langmeidong Mamang Makha Leikai,** P.O. Kakching P.S. Waikhong, District Thoubal, State Manipur Pin-795103 do hereby take oath and solemnly affirm as follows:

1. That, I am the bonafide citizen of India having **Aadhaar Card No. 8795 4002 5381**. This is true to the best of my knowledge.
2. That, **Yumnam Ranjita Devi** is my legal wife who is living together with me in a same roof and kitchen. This is true to the best of my knowledge.
3. That, my wife's name is recorded as **Yumnam Ranjita Devi** in her Aadhaar Card having Aadhaar No. 6655 9698 5481 and also PAN card having PAN No. DYUPD2849R. This is true to the best of my knowledge.
4. That, on the other hand, my wife's name is recorded as **Thounaojam Ranjita Devi** in my service record. This is true to the best of my knowledge.
5. That, the above said two names of my wife i.e. **Yumnam Ranjita Devi** and **Thounaojam Ranjita Devi** (Parental clan name) are the same person. This is true to the best of my knowledge.
6. That, as such, my wife's name is required to record as **Yumnam Ranjita Devi** instead of her former name **Thounaojam Ranjita Devi** in my service record. This is true to the best of my knowledge.

Verified that, the above contents are all true to the best of my knowledge and nothing has been concealed thereof.

Dated/Kakching
The 14th day of March, 2024.
By: **N. Kunjarani Devi**
Advocate

Signature of Deponent
Y. Premkumar Singh

Smt. M. Baby Devi
Oath Commissioner (Judicial)
Imphal West District & High Court
Regd. No. 487/2022

HL-P/9973/15

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

Ref :- Mut. Case No. 57/SDC/IW(H) of 2024

Soibam Sanaton Singh, S/o (L) S. Chandro Singh of Malom Tulihal Maning Leikai.

-Vs-

Late Soibam Chandro Singh, S/o (L) Chaoton Singh of Malom Tulihal.

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 14th March, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 2- Malom Tulihal পাট্টা নং 213 (অরিবা) 257 (অনৌবা)গী হাল দাগ নং 297 গী এরিয়া 0.22700 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা পাট্টাদারগী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজারি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 21/03/2024 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/9981/15

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

Ref :- Mut. Case No. 58/SDC/IW(H) of 2024

Wangkhem Indrani Devi, W/o (L) W. Manglem Singh of Malom Tulihal Awang Mamang Leikai.

-Vs-

Late Wangkhem Manglem Singh, S/o (L) Angou Singh of Malom Tulihal.

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 14th March, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 2- Malom Tulihal পাট্টা নং 232 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং 397 গী এরিয়া 0.41000 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা পাট্টাদারগী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজারি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 21/03/2024 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/9981/15

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

Ref :- Mutation Case No. 98/SDC/NBL of 2024

Naorem Promila Chanu, D/o (L) N. Lokhon Singh of Lourembam Mamang Leikai.
- Petitioner

-Vrs-

(L) Naorem Lokhon Singh, S/o (L) N. Angahal Singh of Lourembam.
- O.P.

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE

Dtd. : 14/03/2024

Under Section 46 (3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 11-Lourembam গী Patta No. 123 (Old), 208 (New) Dag No. 209 an area of 0.34 acre of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/9978/15

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

Ref :- Mutation Case No. 100/SDC/NBL of 2024

Naresh Ngangom, S/o (L) Ngangom Chaoba Singh of Kakyai Mamang Leikai.
- Petitioner

-Vrs-

(L) Ngangom Chaoba Singh, S/o (L) Ng. Birahari Singh of Kakyai
- O.P.

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE

Dtd. : 14/03/2024

Under Section 46 (3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 8-Kakyai Langpok কী Patta No. 237 (Old), 595 (New) Dag No. 1306 an area of 0.89 acre of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/9978/15